এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) অনীনা পূন্না শীন্দুনা লেটস ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুজ হায়বা থিমদা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন হৌদোকপগী থৌরম ঙসি জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিজম প্রিয়োকুমার ভাইস প্রসিদেন্ট কাদা, মঞ্জিৎ সরাংথেম প্রসিদেন্ট এমসু অমসুং অয়েকপম সঙ্গিতা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০০৫/২০০৬গী মতমদগী এমসুনা শীন্দুনা তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিংদা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়ন অসি চঙশিন্দুনা লাকখি। মতম অদুদা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিং য়াওবা কম্মিটি অমা শেম্লগা স্কুল অদুদা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং স্কুলগী কেম্পসতা ওজাশিংগী মরক্তা শীজিন্নবা য়াওরকপশিং অসি মখা তানা শীজিন্নদনবা চেক তৌমিন্নবগী খোঙজং চঙশিনখি। স্কুলশিংদা শেমখিবা কম্মিটিশিং অদুমীওই ৪/৪ না শাদুনা শেমখি। মতম অদুদগী দ্রগকী মায়োক্তা কেম্পেয়ন অসি চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। কাদানসু কুমজা ২০০৬ কী সেপ্টেম্বর ১৮ দগী হৌদুনা ঙসি ফাওবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা স্কুলশিং, লৈকায়গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিং অমদি লোকেল ওঠোরিটি ওইনা লৈরিবা বোদিশিং অমদি লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংগা খূৎশম্নরগা অসিগুম্বা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা ডা. অহৈবম জয়ন্তকুমার পদ্মশ্রী অমদি নেসনল প্রসিদেন্ট এফ আই এন জি ও দি এ এফনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দ্রগতা খ্বাইদগী হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লবা ষ্টেট অনী খল্লি। হায়রিবা ষ্টেটশিং অদুদি পঞ্জাব অমসুং মণিপুরনি। পঞ্জাবতা দ্রগকী ৱাথোকশিং ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়ানা য়াম্না তোয়না কভরেজ তৌই। অদুবু মণিপুরদি অপীকপা ষ্টেট অমা ওইবনিনা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা কভরেজ কয়া তোয়না তৌদবনা মীয়াম্না মপুং ফানা খঙদবনি। অদুবু মণিপুরদনা দ্রগ শীজিন্নবগী চাং হেন্না ৱাংলিবনি। এন জি ও ময়াম পূল্লগা মণিপুরগী দ্রগকী সর্ভে অমা তৌই। মদুদা মীওই লিশিং ৮গী মনুংদা দ্রগ শীজিন্নবগী রিপোর্ট লৈ। দ্রগশিং অদু কদায়দা চাবগে হায়না হংবদা চাদা ৪০না স্কুলদা চায়, অদুগা চাদা ৩০ না ময়ূমদা চায় হায়বগী রিপোর্ট ফংই। শুপ্নগী চাদা ১০ খক্তমক লম্ফাং-তুম্ফাংদা চায় হায়না ফোঙদোরকখি। চহী কয়াদগী দ্রগ চায় হায়না হংবদা চহী ১৫ দগী দ্রগ চাবা হৌই হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু চহী ২৫ দগী চায় হায়বদি থেংনদে। দ্রগ চাবা হৌবা অসি চহী ১৪/১৫ শুবা মতমদগীনি হায়না মণিপুরগী দ্রগ চাবা মীওই ১০০ গী মনুংদা ৮০ না ফোঙদোরকই। স্কুলশিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অসি লোইনা দ্রগ চাবদি নত্তে। অদুবু দ্রগ চাবা মীশীংগী চাদা ৯০ দি মহৈরোয়শিংনি। মরম অদুনা স্কুল অমদি য়ুমদা দ্রগকী মরমদা এৱেয়রনেস পীবা য়াম্না মরু ওই। য়ুমদা দ্রগ চাবগী হৈনবী লাক্লিবসি করিদগী লাক্লিবনো হায়বদা য়ুম অমদা মচিন-মনাও য়াম্না পোক্লবসু কা-কা খায়দোক্লরগা লৈমিন্নবা অমদি মমা-মপানা থবক চথোকপা ওইরবদি কা অদুদা মথন্তা লৈবননি। মমাঙঙৈদদি দ্রগ কাপ্পল্মী। হৌজিক্তি গুলি ওইনা চারবনিনা মনমসু নমদবনা ওজানসু ফাবা অমদি খঙবা ঙমদ্রে। স্কুলদা দ্রগ চাবা ফাবসু লাক্তবনা মহৈরোয়শিংনা অশোয়-অঙাম থোক্লোইদবা মফম অমনি হায়না খঞ্জে। মরম অদুনা এন্টি দ্রগ কেম্পেয়নশিং স্কুলশিংদা চঙশিনবা মথৌ তাই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা এমসুগী প্রসিদেন্ট মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঙ্গাকনা মাঙহল্লিবশিং অসি মমুৎ তানা খঙহল্লগা অনৌবা তিঙ্গং-কায়জংদবা খুন্নাই অমগী মীরোল অমা শেমগৎপা মথৌ তাই হায়বা অসিগী পান্দমদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

আত্মা ষ্টাফশিংগী থা ৯গী তোলোপ পীথোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর স্কিম অমা ওইরিবা এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সী (আত্মা)গী মখাদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী কন্ট্রেক্ট-চ্যুএল অমদি দেপ্যুটেসন ষ্টাফশিংগী তোলোপ ফংলক্তবা থা ৯ শুজিল্লকপনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়না মণিপুর আত্মা ইমপ্লোয়িজ এসোসিএসন (এম এ ঈ এ)না ফোঙদোরক্লি।

এম এ ঈ এগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ কোওপরেসন গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা সেন্টেল্লি স্পোন্সর স্কিম অমা ওইনা কুমজা ২০১১ দগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচরনা আত্মা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী দেপ্যুটেসনদা প্রোজেক্ট দিরেক্টর অমদি দেপ্যুটি প্রোজেক্ট দিরেক্টরশিং অমসুং কন্ট্রেক্টতনা বি টি এম, এ টি এম, সী পি অমদি একাউন্টেন্ট কম ক্লার্কশিং লৌদুনা লৌউ-শিংউ অমদি এলাইট সেক্টরশিংগী লৌমীশিংবু চাউখৎনবা অনৌবা মখল-মখা কয়াগী ট্রেনিং অমসুং অতে অতোপ্পা থৌওংশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

আত্মাদা লৈরিবা ষ্টাফশিং অসি মমাঙদসু মতম চানা তোলোপ ফংবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা অমদি কন্ট্রেক্টতা লৈরিবশিংগীনা জোব সিক্যুরিটি লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরবসু মথৌ পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

অমরোমদা, তোলোপ চাং নাইনা পীবীদবগী অৱাবা লৈরিঙৈ অসিদা সেন্টরগী গাইদলাইন অমদি ইন্সট্রক্সনগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৪ অমদি ২০১৭ দা অৱাৎপা ষ্টাফশিং ফেজ নাইনা রিক্রুটমেন্ট তৌদুনা হৌজিক মণিপুরগী আত্মাদা পূন্না কন্ট্রেক্টতা ষ্টাফ ২৩০গী মথক্তা থবক হাপ্পুনা লৌউ-শিংউ অমদি এলাইট সেক্টরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎতুনা লৌমী-শিন্মীশিংগা পূন্না চৎমিন্নরি। অদুবু মমাঙ চহীগী ওক্টোবরদগী হৌজিক ফাওবা থা ৯ শুরক্লবা ফাওবা তোলোপ ফংদবা মরম্না ষ্টাফশিংনা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা অমদি লাক্কদবা থা অসিগী মণিপুরগী লৌউ-শিংউদা য়াম্না মরুওইবা মতম ওইবনা ট্রেনিংনচিংবা থবক কয়া লেপ্তুনা চংখরি। পুম্নমকশিং অসি য়েংবীরগা লৌমী অমদি ষ্টাফশিংগী খনবীদুনা মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমদি দিরেক্টরগী মফমদা মতম শাংনা ফংদ্রিবা তোলোপ অসি অথুবদা পীথোকপীদুনা লৌমীশিংবু পূক্লিং চঙনা লমজিং-লমতাকপদা মতেং ওইনবা পূক্লিং চিংশিল্লক্লি। চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা তোলোপ পীথোকপীদ্রবদি লৌমীশিংগা খূৎশম্নরগা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট রোদ টাস্ক ফোর্স লিংখৎপীয়ু

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী লম্বী-থোং শেম্বা অমদি ঙাকপগী থবকশিং খুমাঙ চাউশিন্না পায়খৎপা ঙম্নবা ষ্টেট রোদ টাস্ক ফোর্স লিংখৎপীনবা মণিপুর রোদ টাস্ক সোসাইটিনা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি। ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মণিপুর রোদ টাস্ক সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে রঞ্জিৎনা হায়খি, টাস্ক ফোর্স লিংখৎপা অসিনা ষ্টেট অসিগী থবক ফংদনা লৈরিবা নহারোলশিংদসু অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংহনগদৌরিবনি। হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কেবিনেটতা পুথোকপীদুনা ৱারেপ লৌবীনবা আপিল তৌরক্লি।

‘মীয়াম্না নৎতবা মীৎয়েং য়েংবীগনু’

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): উরিপোক বাচস্পটি মনিং লৈকায়দা লৈবী লক্ষিপিয়ারি অমসুং মচানুপী মোনিকাগী মীহাৎ অসিগী মরমদা নাওরেম নাওবীচা অপোকপা নাওরেম বিদেশ্বর উরিপোক বাচস্পটি মনিং লৈকায়দা লৈবনা ৱাফম খরা শেংদোরক্লি। নাওবিচানা ফোঙদোরকপদা কেস অসিদা করিগুম্বা অমত্তা চেন্নবা লৈতে। হিটলর হায়রিবা মীওই অসিগা কোইবা চৎমিন্নরুবা অদু নৎতনা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। কেস অসিগী মরমদা পুলিসনা লাকউ হায়দুনা কৌবদগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা লৈকায় অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না নৎতবা ৱাখল অমদি নৎতবা মীৎয়েং য়েংবীদনবা হায়জরক্লি। মী হাৎপগী কেস অসিদা পোকপদগী হৌনা মীমান্নবা ঙমদনা লৈরিবা মহাকপু নৎতবা মীৎয়েং য়েংলক্লিবা অসি তৌবীগনু হায়না মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা পুলিসনা ঙাইহাক লৈতনা কৌবদা ফাওবা ঈচানা পুদুনা চৎলগা পুলিসকা উন্দুনা ৱারী শাখি অমদি পুলিসকী তৌফম থোকপা তৌরবা মতুংদা করিগুম্বা হীরম অমফাওবদা চেন্নদে হায়দুনা থাদোকপীরক্লে হায়রি। মীমান্নদ্রবা চৎপদা ফম্লগা চৎলিবা মীওইবু অমুক হন্না পুলিসনসু অৱাবা পীবীগনু হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মীয়াম্নসু নৎতবা মীৎয়েং য়েংবীগনু হায়না নাওবীচানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এন্ট্রান্স ক্রাশ কোর্স য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ, এম এ সী, এম কোম, ফার্ষ্ট সেমিষ্টরদা মিং চন্নবগীদমক কে এস এনা শীনবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স কোর্স থা অসিগী ১৫ দা হৌগনি হায়না লেপ্পল্লম্বা অদু হৌজিক ওইরিবা ঈচাওগী ফীভম অসিনা মরম ওইদুনা থা অসিগী ২০ দগী ওইনা হৌরগনি হায়রি। নুমিৎ ৪৫ নিগী ক্রাশ কোর্স অসিগী ফোর্ম থাজিনবা ঙমহৌদবা মহৈরোয়শিংনা থা অসিগী ২০গী অয়ুক পুং ১০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌফমশিংদগী লৌবা অমদি থাজিনবা য়াগনি হায়না কে এস এগী সেক্রেটরি ঐচ আর দি অঙৌতোন খুমননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফ্লদ লিরিফ কেম্প হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪: লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইষ্টকী ক্লবস সার্ভিস সেন্টর ওইরিবা খুরাই নান্দেবম লৈকায়দা ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং তরেৎকী মীওইশিং চঙজফম পীদুনা ফ্লদ রিলিফ কেম্প অমা হাংদোকখ্রে। লায়ন্স ক্লবনা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা তঙাইফদনা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং চেঙ, হৱাই, আলু, অচাথাউ, থুম, সাপোন অমসুং থক্লবা ঈশিংনচিংবা ফংহনখিবগা লোয়ননা চয়োল অসিগী মনুংদা মেদিকেল কেম্প অমসু পাঙথোক্লগনি হায়না লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ইষ্টকী প্রসিদেন্ট লায়ন্স এস দেবেন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লাংথবাল এ সীগী অৱাৎপা চেঙ ফংহনবীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎলগনি : পি সী আর পি দি এস

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): নেসনল ফূদ সিক্যুরিটি এক্ট মণিপুরদা চৎনবা হৌখিবা থা ১৫ শুরে অদুবু লাংথবাল এ সীগী ওইনদি হৌজিক ফাওবা বেনিফিসরিশিংনা থা ৭ খক্তগী চেঙ ফংলি। অদুবু এ এ ৱাইগী ওইনদি বেনিফিসরিশিংনা চেঙ থা ১৫গী ফংদ্রি হায়না প্রোটেক্সন কম্মিটি ওন রাইটস টু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেম (পি সী আর পি দি এস)না ফোঙদোরক্লি।

প্রোটেক্সন কম্মিটি ওন রাইটস টু পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী সেক্রেটরি এস বুধনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দি এস ও, সী এ এফ এন্দ পি দি ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিপোর্টতগী থা খুদিংগী লেপ্তুনা চেঙ চিংথোকখিবগী রিপোর্ট লৈরি। এ এ ৱাইগী ওইনা লাংথবাল এ সীগী ওইনা থা অমদা ফংফম থোকপসি ক্বিন্টল ৩০৮ নি অমসুং এন এফ এস এনা থা অমগী ক্বোটা ১৪১৯.১৫ ক্বিন্টলনি। হায়রিবা য়াল্লবা চেঙশিং অসি লৈঙাক্তগী লৌথোকখ্রগা বেনিফিসরিশিংনা পীথোক্ত্রিবসি কদায়দা চৎখ্রবগে হায়না হংলক্লি।

সী এ এফ অমসুং পি দি মিনিষ্টর ওইরিবা লাংথবাল এ সীগী এম এল এনা বেনিফিসরিশিংনা চেঙ পীদবা লৈতে থা অমত্তা পুথুদে হায়না তৎতনা ফোঙদোক্লি। হৌজিক লাংথবাল এ সীগী ওইনা এন এফ এস এ অমসুং এ এ ৱাইগী য়াল্লবা চেঙ মাঙলিবসিগী থৌদাং এম এল এগী ওইগদবনি হায়না মরাল শীরক্লি। থৌওং অসি মিনিষ্টর চেন্নবনা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্নবা সী বি আইদা শীন্নবা চুমগনি। থৌওং অসি থিজিনবীনবা লোগী মতেং লৌরগনি লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরদসু ৱাকৎলগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

দিঙ্গোগী ৱাথোক ইনক্কারি কম্মিটি অমনা থিগৎহল্লু : এম পি পি

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজকী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি দিঙ্গোনা থাংমৈবন্দগী নুপীমচা অমবু লোয়নবী ওইনা লৌগনি হায়দুনা মীনমদুনা থাজহল্লগা নুপী ওইবীগী ইকায় খুম্নবা খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চথৈ হায়রিবা ৱাফম অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমবু ইনক্কারি কম্মিটি শেমদুনা কুপ্পা থিজিনহনগদবনি হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)না ফোঙদোরক্লি।

এম পি পিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এদমিনিষ্ট্রেসন এম অুমতোম্বীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ইনক্কারি কম্মিটি অসিনা থিগৎহনবা য়ানবগীদমক দিঙ্গোবু খুদক্তগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ফমদগী লৌথোক্কদবনি নৎত্রগা মশানা য়ানা মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি। দিঙ্গোনা নুপীগী ইকায় খুম্নবা খোঙ্গাওনবগী থৌওং অসি লৈঙাক পায়রিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা তুমিন্না লৈশিনবা অমসুং নাথৈদুনা লৈথোক্লবা হোৎনবা য়ারোই।

লমদম অসিদা নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি অসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরি। থৌদোক কয়াদা নুপীনা অরানবা অমসুং অৱাবা তাহৌবা অমদি মশাগী ইকায় খুম্নবা মাঙবা লোয়ননা খুন্নাইগী অথীবা মিংচৎ ফংহৌবা ওইরি। অদুগা অমুকসু অসিগুম্লবা নুপীশিং অসিগী মীচঙদা কনানসু লেপ্পীদ্রি। দিঙ্গোগী হন্দক্কী থৌদোক অসি মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংবু মিংচৎ থীহনবনি। মহাক্কী থৌওং অসি লৈবাক অসিগী লোগী থোংদা য়েংলগদি নুপীবু লান্না থাজহন্দুনা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা, নমথাক তৌদুনা নুপী অমগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবা হায়বসি রেপকী মরাল লৈ হায়রি। মসিগী মথক্তা মহাক্না লৌগনি হায়না লান্না থাজহল্লগা অরোনবা মরী থন্দ্বদগী মীরোল্লবা অঙাং অমবু এবোর্সন তৌবগী মরাল অসি ফার্ষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অমদা ৱায়েল চথ্বগদবনি অমসুং চৈরাক ফংহনগদবনি।

অমরোমদা, ভিক্টিম ওইহৌরবী নুপীমচা অসিবু মতিক চাবা রিহেবিলিটেসন অমসুং কাউন্সেল্লিং পীবীদুনা ঙাক শেনবীদুনা পূক্লিং ফাথবীগদবনি। নুপীমচা অসিগী ৱাথোক অসি লৈবাক খুন্নাইদা শেরান্ননা শন্দোক্তুনা নুপীগী ইকায় খুম্নবা হায়বসি খম থেংনা লৈহন্দ্রবনি হায়রি।

খুন্নাই অসিদা নুপীগী পুন্সি অমসুং ইকায় খুম্নবা ঙাক শেনবগী থবক অসি ফেল ওইরে হায়বা য়াই। নোংম-কাংদনা নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবগী থৌওং কয়া চথরি। নুপী হাৎপা অমদি ফূবা-চৈবগী থৌদোক তোয়না থোক্লি। খুন্নাইদা নুপীগী পুন্সি অমদি ইকায় খুম্নবা ঙাক্নবগীদমক্তা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ঈহৌ হৌরকপদা নুপীনা নুপীবু হন্থনা য়েংলকপগী থৌওং অসিনি। মীয়াম অসি লৈঙাক পায়রিবা অঙম-অথৌশিংনা শুঙ্কৎতুনা পঙথখিবগুম তৌরে। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লমদম অসিগী চানুরাশিংগী পুন্সি অমদি ইকায় খুম্নবা ঙম্বা য়াইতোং-ফমদোংবশিংগী চাকথাক ওইরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা থা খুদিংগী তাং ১০ অমসুং ১৫ বু মীয়ামগী নুমিৎ হায়দুনা মতম কায়থোক্লগা মীয়ামগী ৱাকৎ অসি তশেংনা তারবদি টামিল নাদুদা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর জয়াললিতাগী অন্মা দর্বারবু ময়েক শেংনা নীংশিংবা চুমগনি। কুমজা ২০০২ গী অন্মা দর্বারদা টামিল নাদুগী পানধম ভিলেজদগী উষানন্দিনী কৌবী নুপী অমবু জয়ারাজ কৌবা নুপা অমগা নুংশিনদুনা উষানন্দিনী মীরোল্লক্লবা মতমদা জয়ারাজনা অতোপ্পা নুপী অমগা লুহোংগদৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎলকখি। ৱাকৎ অদু সী এমনা তারবা মতুংদা কুৱালোল দিষ্ট্রিক্টকী এস পিদা য়েংশিন্নবা হায়খি অমসুং এস পিনা জয়ারাজবু ফাদুনা পুরক্লগা উষানন্দিনীগা লাইশঙ অমদা লুহোংহনখি। থৌদোক অসিনা অন্মা দর্বারবু মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না খঙবা অমা ওইহল্লি। উষানন্দিনীগী মীরোল্লিবা অঙাং অদুগী মপা মশক খঙহনখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ত্রিপুরাগী সী পি এমগী মনোরঞ্জন অচর্য্যী কৌবা এম এল এ অমনা ময়ূমদা থম্বা নুপীমচা অমবু ইকায় খুম্নবা মাঙহল্লি হায়বগী ৱাফমদা চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা এম এল এ অদু রিজাইন তৌহনখি অমদি বাই ইলেক্সন পাঙথোকখি। লোয়ননা বাই ইলেক্সনদা এম এল এ মনোরঞ্জন অচর্য্যী টিক্কেট পীখিদে। অসিগুম্না ইনক্কারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহনবগী থবক শোয়দনা পাঙথোকহনগদবনি হায়রি।

নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈগী মরমদা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): নুপীদা চথবা মীওৎ-মীনৈ অমদি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মমা ওইবীশিংগী থৌদাং হায়বা হীরমসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙ্গৈ কম্যুনিটি হোল ইবুধৌ তাংজা লিলহা পাখঙবা শঙলেন পাঙ্গৈ কৈথেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী লমজিং মখাদা শঙ্গৈ, হরাওরৌ, চীংখু, তাংখম, খুন্দ্রাকপম, পাঙ্গৈ, হাওটল, হৈক্রু মখোং অমসুং খোমিদোক্কী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী সন্দিপ মহুরলে, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেন্মা, নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট কে তরুনী, তাংজা লিলহা পাখঙবা পাঙ্গৈগী সেলুংবা তোঞ্জম মখোন, ওঠোরিটি ওফ পাঙ্গৈ য়ুনিয়নগী নাওরেম বাবু, কাদাগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট ৱাই রতন, ক্রিপা ফাউন্দেসন কোইরেঙ্গৈগী জিবনমালা, এন্টি দ্রগ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী এম দি ইতোচানচিংবনা দেজগী মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরি নোংথোম্বম রাধামনিনা হায়খি, লমদমসিদা নোংমা কাংদনা নুপীদা চথরক্লিবা মীওৎ-মীনৈ অমদি হাৎপা-তুপ্পগী থবক হেনগৎ-লক্লিবা অসি ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা থোকহনবনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়োল্লিবা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীদবনা মরম ওইরগা ক্রাইম মশীং হেনগৎলকপনি। মরম অদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী কলহৌনবা মীপুম খুদিংমক থৌদাং লৌমিন্নসি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা নোংপোক লৈঙাক নুপী লূপকী লমজিং মখাদা পাঙ্গৈদা লৈবা মমাঙ লৈকায় পাঙ্গৈং য়াংদোং ৱেলফ্যের এসোসিএসন, মৈরা লূপ অমদি মনিং লৈকায়দা লৈবা পাঙ্গৈ মীতৈ ৱিমেন ৱেলফ্যের এসোসিএসননচিংবা মৈরা লূপ অনীনা পূনশিন্দুনা য়ুনিট অমা হাংদোকখ্রে। লোয়ননা শগোলশেম বিনাবু প্রসিদেন্ট, লাইশ্রম ইনাওচাবু সেক্রেটরি অমদি নাওরেম মেম্মবু পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইনা হাপখ্রে।

Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)

ADMISSION NOTIFICATION
Advt. No. PDDUIAS/Estd./2016/
Dated: 14-06-2017

Applications are invited for admission to the first semester of B.Sc. (Agri.), B.Sc. (Horti.), B.Sc. (Home Sc.), B.Sc. (Fishery) and Post Graduate Courses of Agriculture in Agronomy, Horticulture, Plant Pathology, Agril. Entomology, Plant Breeding, Crop Physiology, Agril. Biochemistry, Agril. Biotechnology, Agril. Extn., Agril. Economics, Agril. Statistics, Seed Science & Technology and Post Graduate courses of Home Sc. for the Academic Session 2017-2018. The Application Forms and details of admission can be had from the office of the Director, Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences KVK-Bishnupur office complex, Utlou, Bishnupur District, Manipur on payment of Rs. 500/- during office hour from 19-06-2017 to 20-07-2017.

Important Key Dates:

i.	Date of issuing application form:	19-06-2017
ii.	Commencement of application submission:	19-06-2017
iii.	Last date of application form submission:	20-07-2017
iv.	First counseling date :	24-07-2017
v.	Second counseling date :	31-07-2017
vi.	Commencement of first semester :	01-08-2017

Sd/- Director
PDDUIAS

HL-P/1821/15

লালহৌবা ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৪: ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৫ জে এ কে রাইফলসকী কম্বাইন টিম অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবদা তোপ উপোকপীগী মফমশিংদা থিবা-হুন্বগী থবক চথবদা লোংজম য়াইফবা অঙোমচা এলিয়স ননাও এলিয়স য়ুরেম্বা (৩১) অপোকপা এল গোজাও অঙোমচা কৌবা তোপ উপোকপী ময়াই লৈকায়দা লৈবা কে সী পি (এম সী) প্রোগ্রেসিবকী এক্টিব ৱার্কর অমা ময়ূমদগী ফারে। মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাক গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমসুং মীয়ামদগী পার্টিগী ফন্দ ওইনবা য়াল্লবা শেনফমশিং খায়বদা চৈন্নে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

ꯗꯨꯇ꯭ꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ **DUTTA CLINIC** ꯗꯨꯇ꯭ꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক **ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC** তগী ফংবীগনি

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতে অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

ꯗꯨꯇ꯭ꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3917/05/06-04/07

খুন্নাই য়োকখৎপী মমাশিং ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): ইরমদম কনবা অপূনবা লূপ (ইকল)না শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দা খুন্নাই য়োকখৎপী ইমাশিং ইকায় খুম্নবগী থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি সোইবম সুভাসচন্দ্র, এম য়ুগী হান্নগী রেজিষ্ট্রার ওইনাম কুল্লবীধু, ইকলগী পাউতাকলোই অধিকারিময়ুম রিদিমালা অমদি ইকলগী ঙমথং লুচিংবী নাওরেম মেম্মনা দেজগী মেম্বর ওইখি।

খুন্নাই য়োকখৎপী ইমাশিংগী অহানবা মনা অঙাং ১০ পোকখিবী নোংঙাদা অৱাং লৈকায়দগী থোকচোম সুমতি মপুরোইবা টি ঐচ দেবানদা শেলগী মনা লুপা ১৫,০০০ অমসুং শকখঙচে অমদি লেংয়ান ফি খুদোল তমখি। মথংদা অঙাং নুপা ২, নুপী ৮ পূন্না অঙাং ১০ পোকখিবী নাওরেম মালিকা মপুরোইবা এন য়াইমু লৈমপোকপম ময়াই লৈকায়দা লৈবীদা অনীশুবা মনা ওইনা লুপা ১২,০০০, শকখঙ চে অমসুং লেংয়ান ফি খুদোল তমখি। অহুমশুবা ওইনা মচানুপা অহুম অমদি নুপী তরেৎ পোকখিবী মোংশাঙ্গৈ মনিং লৈকায়দগী শৌগ্রাকপম ইনাকখুনবী মপুরোইবা এস বারুন্দা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, শকখঙচে অমসুং লেংয়ান ফি পীদুনা ইকায় খুম্নখি।

চায়োক-নাওয়োক ফজবী মমাগী মনানা নাওরেম সুগন্ধি মপুরোইবা এম নবচন্দ্র ককচীং মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবীদা পীখি। মহাক্কী মচা নাওরেম রঞ্জু এম বি বি এস, রিমস, নাওরেম সুনন্দ, এম বি বি এস, ফোর সেমিষ্টর, বেঙ্গলোর মেদিকেল কোলেজ, নাওরেম নন্দেশ্বরি কুমজা ২০১৫ কী বোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনদা ককচীংগী মার্টিন গ্রামার স্কুলদগী এগজামিনেসন থাদুনা ২০শুবা পোজিসন লৌখি অমদি নাওরেম চেলসিয়ানা স্কুল অসিমক্কী ক্লাস আইটকী এগজামিনেসনদা অনীশুবা রেঙ্ক তাখি।

কুমজা ২০১৭গী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসনদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় কমর্স ষ্ট্রিমদা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা থৌনাওজম লোয়াঙম্বা মীতৈদা শেলগী মনা, শকখঙচে অমসুং লেংয়ান ফিন্নচিংবা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

চে-গুইবারাগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, জুন ১৪(ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন মণিপুর কাউন্সিলনা শীন্দুনা ঙসি ইরাবত ভবনদা চে-গুইবারাগী ৮৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. এম নরা সেক্রেটরি এম এস সী-সী পি আইনা চীফ গেষ্ট, ৱাই সেক্সোনা কনভিনর এম এস সী/এ আই ৱাই এফনা প্রসিদেন্ট, এন সিংহজিৎ ইন-চার্জ য়ুথ এন্দ ষ্টুদেন্টসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবা ধনবির লাইশ্রমনা হায়খি, থৌরম অসিনা অহৌবা ওইরগা মণিপুরগী নহাশিং অমত্তা ওইনা পূন্দুনা অওনবা মণিপুর অমা পুরক্কবা হোৎনরসি। চে-গুইবারাগী অখাঙ কনবা অমদি কথোকপগী থৌনা অদু মণিপুরগী নহাশিংদসু লৈহন্নীংবগী অপাম্বা মহাক্না ফোঙদোকখি।

ডা. নরানা য়ুথ ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা থিম অসিদা চে-গুইবারানা ক্যুবাদা পুরকখিবা অওনবা অদু মণিপুরগী নহাশিংনা পূল্লবদি শোয়দনা অওনবা মণিপুর অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না এম এস সী/এ আই ৱাই এফকী কনভিনরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

CROSSWORD-2444



ACROSS

1 Formal headgear (3,3)
4 Go aboard (6)
8 Concerning (5)
9 Violent whirling wind-storm (7)
10 Popular cheese (7)
11 Lifeless (5)
12 Uncivilised person (9)
17 Light purple colour (5)
19 Collection of books (7)
21 Marine animal (3,4)
22 Shoulder-wrap (5)
23 Main meal (6)
24 Slow down (6)

DOWN

1 Roof of straw or reeds (6)
2 Adage (7)
3 Performed (5)
5 Gin and vermouth cocktail (7)
6 Hard stone (5)
7 Intricate (6)
9 Heavy waterproof cover (9)
13 Lie back (7)
14 North American falls (7)
15 Shut (6)
16 Rode a bike (6)
18 Gain knowledge (5)
20 Moisten with hot fat (5)

Solution 2443

M	U	T	E	■	S	H	O	U	L	D	E	R
A	■	O	■	F	■	O	■	N	■	I	■	U
R	A	M	B	L	E	R	■	C	E	A	S	E
R	■	E	■	E	■	S	■	L	■	L	■	D
I	S	S	U	E	■	E	Y	E	L	E	T	■
A	■	■	■	C	■	C	■	■	■	C	■	P
G	O	L	D	E	N	H	A	M	S	T	E	R
E	■	U	■	■	■	E	■	I	■	■	■	O
■	A	D	O	R	N	S	■	G	R	A	S	P
D	■	D	■	I	■	T	■	H	■	M	■	H
O	N	I	O	N	■	N	O	T	A	B	L	E
D	■	T	■	S	■	U	■	Y	■	E	■	S
O	M	E	L	E	T	T	E	■	A	R	M	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2243

4					7	2		6
		2	3					
	1					4	7	
	7		2	9				
	6						5	
				1	8		3	
	5	6					9	
					9	5		
9		1	5					4

Solution-2242

6	9	8	3	1	4	5	2	7
2	4	3	7	5	8	6	9	1
1	7	5	9	2	6	3	4	8
5	2	4	6	9	7	8	1	3
8	1	9	5	3	2	7	6	4
3	6	7	4	8	1	9	5	2
7	5	2	1	6	3	4	8	9
9	3	1	8	4	5	2	7	6
4	8	6	2	7	9	1	3	5

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9